# বজ্রং দলগী এক্টিভিষ্ট হাৎখিবদগী শিবমোগ্গাদা উংখৎনবগী ফীভম লৈরে

শিবমোগ্গা, ফেব্রুৱারী ২১ (এজেন্সী): বজ্রং দলগী মশাগী চহী ২৩ শুরবা ওফিস বিয়ারর অমা হাৎখিবদগী কর্নাটকাগী শিবমোগ্গাদা ওথোরিটিশিংনা অথিংবগী ওর্দরশিং চৎনহনখ্রে অমসুং নিংথৌকাবা নুমীৎতা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী স্কুল অমসুং কোলেজশিং ছুটি লাউথোকখ্রে।





হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোক্লকপদগী পুলিস দিপার্টমেন্ট খূদিংমক ষ্টেট শীন-থুংনা মীকুপ নাহুম শীংনা লৈখ্রে। পাত্তক্লনা হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী শিবমোগ্গা সিটি পুলিস লানবন অমা ওল্লে হায়রি।

মমিং হর্শা কৌবা বজ্রং দলগী এক্টিভিষ্ট অদু নোংমাইজিং নুমীৎকী নুমীদাং অথেংবদা ভরাথি কোলোনিগী রভিভর্মা ষ্ট্রীটকা নক্লবা মফম অমদা তমথীনা হাৎখিবনি হায়রি। লৈখিদ্রবা হর্শা টেলর অমনি অমসুং মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট অদুগী প্রকন্দা সহাকর্য্যাদর্শি (কোওর্দিনেটর)গী ফম পায়খি। কার অমদা লাকখিবা মীওইশিং অদুনা মহাকপু তান্নখি অমসুং মী শিহনবা য়াবা খুৎলায়শিং শীজিন্নরগা মহাকপু এট্রেক তৌখি অমসুং মফম অদুদগী থুনা নাম্থোকখি। ফীভম থিনা শোক্লবা হর্শা মেগ্গান হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

মহাক বজ্রং দল অমসুং ভি ঐচ পিগী থবকশিংদা এক্টিভ ওইনা চেন্নবা মীশকনি। গনেশকী কুম্ভে অমসুং ভিসার্জন থৌরমদা মহাক্না মাঙজিল থাদুনা লাকখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা মফম অদুদা উংখৎনবা ফীভম লৈরকখি। হর্শানা সোসল মীদিয়া পোষ্ট অমদা অতোপ্পা লাইনিং লন্বী অমবু করেম্নখি অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা দোদ্দাপেট পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি হায়রি।

মঙোন্দা কিহল্লকপা কয়াসু লৈখি। মীহাৎ অদুগী মতুংদা হিন্দু এক্টিভিষ্ট লিশিং কয়া মেগ্গান হোস্পিটালগী মনাক্তা পুনখি অমসুং ফীভম লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসতা অৱাবা ওইখি।

# কেরলাদা আর এস এসকী ৱার্করশিংনা সী পি আই (এম)গী ৱার্কর অমা হাৎখ্রে

তিরুবন্তপুরম, ফেব্রুৱারী ২১ (এজেন্সী): মশাগী চহী ৫৪ শুরবা সী পি আই (এম)গী ৱার্কর অমা নিংথৌকাবা নুমীৎকী অঙনবদা কান্নুরগী থালাসেরিদা হাৎখ্রে হায়না লেফ্ট দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী কনভিনর এ ভিজয়ারাঘভননা ফোঙদোকখ্রে।

হরিদসন কৌবা ভিক্তিম অদু ঙামী অমনি। কান্নুর অসি মতম শাংনা পোলিটিকেল ক্রাইমশিং তোয়না থোকপা মফম অমা ওইরকখি। মরুওইনা মফম অসিদা বি জে পি/আর এস এস অমসুং সী পি আই (এম)গী মরক্তা তোয়না খুৎ থোক্লে। সী পি আই (এম)গী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ২ অসিদা কান্নুরদা হাৎখিবা মীওইশিংগী মনুংদা হরিদসননা ১০শুবা ভিক্তিমনি। মফম অসি সী পি আই (এম)গী ষ্ট্রোংহোল ওইবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজয়ন অমসুং পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরি কোদিয়েরি বালাকৃষ্ণনগী হোম দিষ্ট্রিক্টসু ওইরিবনি।

মীহাৎ অদু ষ্টেট অসিগী মরা তপ্পা ফীভম থুগায়নবা আর এস এস/বি জে পি ৱার্করশিংনা পায়খৎলকপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমনি হায়বা ভিজয়ারাঘভননা ফোঙদোকখি। তিরুবন্তপুরমদা লৈবা ষ্টেট পার্টি হেদক্কার্টরসতা ৱা ঙাংলদুনা ভিজয়ারাঘভননা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, কান্নুর অসি ঐখোয়গী লাক্লিবা কনফরেন্স পাঙথোক্কদবা মফমনি। মীহাৎ অসি সংঘ পরিভার ফোর্সশিংনা চথুরকপা খোঙথাংগী মনুং চনবা থবক অমনি। মসিনা ষ্টেট অসিগী মরা তপ্পা ফীভমদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লে। হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা হরিদসননা ময়ুমদা হল্লকপদা বাইক তোংবা মীওই মরিনা মহাকপু ময়ুম মমাঙদা এট্রেক তৌখিবনি।

# মিস্রাদা বেল পীবগী মায়োক্ত লৈখিদ্রবগী ইমুংনা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারী ২১ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী লখিম্পুর খেরিদা থোকখিবা মীশি-মীনাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মদুদা চেন্নবা অশিশ মিস্রাদা এল্লাহবাদ হায় কোর্টনা বেল পীখিববু শীংনদুনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা লৌমীশিংগী ইমুংগী মীওইশিংনা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

মিস্রা অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজয় মিস্রা টেনিগী মচানুপানি। লখিম্পুর খেরিগী থৌদোক অদুদা অশিশ মিস্রাগী কারনা তকপদা লৌমী কয়াগী পুন্সি লোমখিবনি। পিটিস্নরনা প্লি অদু এদভোকেট প্রশান্ট ভুশনগী খুথাংদা ফাইল তৌখি। প্লি অদুনা হায় মদুদি, মিস্রাদা পীবা বেল শীংনদুনা উত্তর প্রদেশনা আপীল অমা ফাইল তৌবা ঙমদবদগী লৈখিদ্রবা লৌমীশিংগী ইমুংগী মীওইশিংনা এপেক্স কোর্টতা তঙাইফদনা ৱাকৎপনি।

ক্রাইম অদুগী শাথিরবা মওং অদুবু করিমত্তা খন্নদনা হায় কোর্টনা ইরাই লায়না বেল পীথোকখি হায়না প্লি অদুনা য়েৎখি। মসিগা লোয়ননা চার্জশীটতা এক্যুজ মীওইগী মায়োক্তা ইভিদেন্স মতিক চানা লৈনা লৈনা বেল পীথোকখিবনি হায়নসু পনখি।

মখা তানা প্লি অদুনা হায়খি মদুদি, ইভিদেন্স শেমদোক-শেমজিন তৌরকপগা লোয়ননা জষ্টিসতা অকায়বা পীরকপা য়াবগী ফীভম লৈ। হৌখিবা চয়োলদা এদভোকেটশিং সী এস পান্দা অমসুং শিভ কুমার ত্রিপাথিনা ফাইল তৌখিবা অতোপ্পা প্লি অমসু সুপ্রীম কোর্টতা মুভ তৌদুনা লখিম্পুর খেরি ভাইওলেন্স কেসকা মরী লৈননা মিস্রাদা পীখিবা বেল শীংনখি। অশিশ মিস্রা এল্লাহবাদ হায় কোর্টকী লক্ষনৌ বেঞ্চনা বেল পীবদগী জেলদগী থাদোরকখিবনি। মহাক্কী বেল ওর্দরশিং অদুগা মরী লৈননা মহাক্কী উকিলশিংনা লুপা লাখ ৩/৩গী বেল বোন্দ অনী সবমিট তৌখি।

# লালু প্রসাদ চহী ৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

রাঞ্চি, ফেব্রুৱারী ২১ (এজেন্সী): রাঞ্চিদা লৈবা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী চীফ লালু প্রসাদপু ৫শুবা ফোদ্দর স্কাম ওইরিবা লুপা ক্রোর ১৩৯.৩৫গী দোরান্দা ট্রেজরি স্কামগা মরী লৈননা চহী ৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবগা লোয়ননা লুপা লাখ ৫০ ফাইন তৌখ্রে।



বিহারগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগা লোয়ননা অতে এক্যুজশিং ফেব্রুৱারী ৫দা কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। মহাক মশাগী চহী ৭৫ শুরবা আর জে দিগী লুচিংবা অসি ভর্চ্যুএল ওইনা কোর্ট কাখিবনি।

মহাক হৌজিক জুদিসল কষ্টদিদা লৈরিবনি অমসুং হকচাংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মহাক রাজেন্দ্র ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (আর আই এম এস)তা এদমিট তৌরি। লালু প্রসাদতা নত্তনা কোর্ট অসিনা কেস অদুগা মরী লৈননা হান্নগী এম পি জগদিশ শর্ম্মা, পব্লিক একাউন্টস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ধ্রুভ ভগৎ য়াওনা অতে মীওই ৭৪সু কনভিক্ট তৌখি। অতোপ্পা মীওই ২৪না ইভিদেন্স ৱাৎপদগী এক্বিট তৌখি। মসিগী মমাঙদা বিহারগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসি লুপা ক্রোর ৯৫০গী ফোদ্দর স্কামগী কেস মরিদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা জেলদা লৈরক্লিবনি।

মহাক চহী কুনতরেৎ মখায় জেলদা লৈগদবনি। স্কাম অদুগী মঙাশুবা কেসতা কুমজা ১৯৯৬তা দোরান্দা পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি অমসুং মতুং তাবদা সী বি আইনা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক পায়শিনখি।

অহানবদা কেস নম্বর আর সী ৪৭ এ/৯৬তা পুন্না মীওই ১৭০ করপসন তৌবগী মরাল শীখি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৫৫ শিখ্রে। মীওই ৭না ৱিটনেসশিং ওইরকখি। মীওই অনীনা ক্রাইম অদু য়াজখি অমসুং হৌজিক মীওই ৬ লোৎতুনা লৈরি। সী বি আই স্পেসল কোর্টতা চথুখিবা কেস অদুগী হিয়রিংদা মীওই ৫৭৫না প্রোজিক্যুসনগী ফেভরদা ষ্টেটমেন্টশিং পীখি অমসুং মীওই ৩৫না দিফেন্দেন্টশিংগী ফেভরদা ষ্টেটমেন্টশিং পীখি। কেস অদুদা প্রোব এজেন্সী অসিনা দোক্যুমেন্ট ১৫ পুথোকখি।

# দেল্লী এয়রপোর্ট মনাক্তা দ্রোনশিং, লেজর বিমশিং মখা তানা অথিংবা থল্লি

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২১ (এজেন্সী): দেল্লী পুলিসনা ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট লৈরিবা পলাম সব-দিভিজনগী জুরিসদিক্সন মনুংদা অনমেন্দ এয়রক্রাফ্ট সিষ্টম (য়ু এ এস) অমসুং লেজর বিমশিং শীজিন্নবা থিংখ্রে।

হায়রিবা পোৎশকশিং অসিনা টেররিষ্ট এট্রেক চথুরকপা য়াবগী সিক্যুরিটি থ্রেট লৈবগা লোয়ননা এভিয়েসন সেফ্টিদসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবনা দেল্লী পুলিসনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। দেল্লী পুলিসকী ওর্দর অমনা হায়, টেররিষ্টশিংনা দ্রোনশিং, পেরা-গ্লাইদরশিং অমসুং হেং-গ্লাইদরশিং, য়ু এ ভিশিং, এরো-মোদেলশিং য়াওনা য়ু এ এস শীজিন্নরগা টেরর এট্রেক চথুনবা টেররিষ্টশিংনা থৌরাং তৌরি হায়বা থাজবা য়াবা পাউ ফংবদগী অথিংবা পোৎশকশিং অসি মীয়াম্না শীজিন্নবদা অথিংবা থল্লকপনি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (আই জি আই এয়রপোর্ট) সঞ্জয় টিয়াগিনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, মীয়ামগী সেফ্টি অমসুং সিক্যুরিটিগী য়েংলগা লেজর বিমশিং অমসুং দ্রোনশিং শীজিন্নবা হায়বসি এয়রপোর্ট মনাক্তা মতম চুপ্পা অথিংবা থমদুনা লাক্লি। হন্দক্তা ইনৌ নৌনা থোক্লিবা ওর্দর অসি অথিংবদু শাংদোকহনবনি। হৌজিক্কী ওর্দর অসি থা ২ হায়বদি ফেব্রুৱারী ১২দগী এপ্রিল ১২ ফাওবা চৎনগনি হায়না টিয়াগিনা ফোঙদোকখি।

এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার ওফ পুলিস (সব দিভিজন পলাম) বিজেন্দ্র সিংহনা মহাক্কী ওর্দরদা হায়, আই জি আই এয়রপোর্টকী এয়র ট্রাফিক কন্ট্রোলনা এয়রক্রাফ্ট লেন্দিং তৌরকপা মতমদা লেজর বিমশিংনা মরম ওইদুনা পাইলোটশিংগী ভিজনদা শোক্লকপগী থৌদোকশিং রিপোর্ট তৌরকপা লৈরে। মসিনা অয়েৎ-অপন কয়া থোকহনবদা নত্তনা পেসেঞ্জরশিং অমসুং এয়রক্রাফ্টকী সেফ্টি অমদি সিক্যুরিটিদসু খুদোংথিবা থোকহনবা য়াই। এয়রপোর্টকী জুরিসদিক্সন মনুং অমসুং অকোয়বদা থোক্লক্লিবা ফার্ম হাউস, বেঙ্কৱেটশিং অমসুং রেষ্টোরেন্টশিং লুহোংবা, পার্টি অমদি তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা লাইট মরাং কায়না শীজিন্নবনসু খুদোংথিবা হেনগৎহল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

HL-P/1596/22

This may be published in Newspaper and TV from the day following the last date for withdrawal of candidature and upto two days before the date of poll

**Format C-2**

*(For political party to publish in website, Newspapers, TV)*

Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgment dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs Union of India & Anr.)*

Name of political party: **Indian National Congress (INC)**

*Name of Election : **12th Manipur Legislative Assembly Election, 2022**

Name of State/UT: **Manipur**

| 1. | 2 | 3 | 4 | | 5. | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Sl. No. | Name of constituency | Name of candidate | (A) Pending criminal cases | | (B) Details about cases of conviction for criminal offences | | |
| | | | Name of Court, case No. & status of the case(s) | Sections of the Acts concerned & brief description of offence(s) | Name of court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed | **Maximum Punishment Imposed.** |
| 1. | **32-Wangkhem Assembly Constituency** | **Keisham Meghachandra Singh** | **Special MP/MLA Court, Lamphelpat, Spl. T (SC ST POA) Case No. 01 of 2020 At the stage of Charge Hearing** | **U/s 353/ 506/ 34 of Indian Penal Code, 3 (1) X SC/ST Prevention of Atrocities Act 1989 & 131 (1) (b) (2) Representation of Peoples Act, 1951. Allegation of making obstruction to performing duty of Government Servant who is a Police personnel, threatening to put his service under suspension and allegedly insulting him for being a Scheduled Tribe while he was posted at polling station No. 7/40 Nongpok Keithel Manbi Primary School, Keithelmanbi in connection with Phase II polls of Lok Shaba Election, 2019** | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |
| 2. | | | **Supreme Court of India, SLP (Cril) No. 9127 of 2021 Stay of the proceedings initiated pursuant to the FIR case pending before the Special MP/MLA Court, Lamphelpat** | **SLP has been filed before the Supreme Court whereby the High Court's order dismissing the Criminal Petition filed for quashing the Fir case has been challenged. The Hon'ble Supreme Court vide its order dated 13-12-2021 has been pleased to issue notice and stay the proceedings initiated pursuant to the aforesaid FIR Case** | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |

* In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.